৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো, ১৪শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো, ২শুবা জুনিয়র বোইজ য়ু-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এম পি এস সী-সীনা ঈ এস সী-এ, কে এন এম এম আর এস-বিনা মৈরাবা পি সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ) না শীন্দুনা মপান কাংজেবুংদা চংখরিবা ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট, ২শুবা জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম পি এস সী-সীনা ঈ এস সী-এ অমসুং কে এন এম এম আর এস-বিনা মৈরাবা পি সী মায়থীবা পীখ্রে।

পানা ২৫না শরুক য়াদুনা নোক আউট ষ্টেজতা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নোক আউট ষ্টেজগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা ঈ এস সী-এ অমসুং এম পি এস সী-সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা চক্র হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা পানা অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা এম পি এস সী-সীনা ঈ এস সী-এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। এম পি এস সী-সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ কে ঐচ দিনেসনা অনীশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৫১ অমদি জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ রোমেননা অনীশুবা চক্রগী মিনট ৬কা সেকেন্দ ২১ অমসুং পানা অসিগী টিম কেপ্তেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ১ টি খাবনা অহুমশুবা চক্রগী মিনট ২গা সেকেন্দ ২১দা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি। মায়থীহৌরবা ঈ এস সী-এগী পাঞ্জলশিং অদুনা টিম কেপ্তেন জর্সি নম্বর ৩ এন প্রবিননা অনীশুবা চক্রগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ৫১ অমসুং জর্সি নম্বর ২ ঐচ সঞ্জয়না মরিশুবা চক্রগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ২০দা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা মৈরাবা পোলো ক্লব অমসুং কে এন এম এম আর এস-বি শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা কে এন এম এম আর এস-বিনা মৈরাবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৪দা মায়থীবা পীখি। কে এন এম এম আর এস-বিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সী ঐচ অজিৎনা পাঞ্জল ৫, এম হোমেননা পাঞ্জল ২ অমদি এস থম্মোয়না পাঞ্জল ১ চনখি।

২শুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# অমোফা মোইরাংনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৱিন্নর, এফ সীনা টিম রন্নর্স-অপ তাখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চংখরকপা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লোইশিনখিবগা লোয়ননা অমোফা মোইরাংনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা মপূ ওইখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নাচৌ জি পিগী প্রধান এন জাদু, নাচৌ জি পিগী উপ প্রদান এস রোবিতা, নাচৌ জি পিগী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর এন খোঙনেম, নাচৌ জি পিগী ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর এল তরুনি, ৱার্দ ৩গী মেম্বর এন দাইনা, ৱার্দ নম্বর ৪গী মেম্বর সী ঐচ বেমবেম, ৱার্দ নম্বর ৫গী মেম্বর এন রোবিন্দ্রো, ৱার্দ নম্বর ৬কী মেম্বর এন মরাদোনা, ৱার্দ নম্বর ৮গী মেম্বর টি ঐচ বালা, ৱার্দ নম্বর ৯গী মেম্বর টি ঐচ দামুদর, ৱার্দ নম্বর ১০গী মেম্বর ও রঞ্জনা অমসুং ৱার্দ নম্বর ১১গী মেম্বর ও রেবন্তনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা কে পি এফ সী খা পোৎশংবম অমসুং টি আর য়ু জি পি য়ু নম্বোল শান্নখি। মেচ অদুগী ৭শুবা মিনটতা টি আর য়ু জি পি য়ুগী শান্নরোয় জোনসন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। মেচকী ২০শুবা মিনটতা অমুক টিম অসিগী জোতিননা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টি আর য়ু জি পি য়ুনা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মেচ ৬/৬ শান্নবদা অমোফনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা গোল দিফেন্স ১১ লৈদুনা অহানবা অমসুং এফ সী মোইরাংনা পোইন্ট ১৬ ফংলবসু গোল দিফেরেন্স ১০ ওইদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

| Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. | Rank |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. AMOFA | 6 | 5 | 1 | 0 | 12 | 1 | 11 | 16 | 1ST |
| 2. FC | 6 | 5 | 1 | 0 | 10 | 0 | 10 | 16 | 2ND |
| 3. KPFC | 6 | 2 | 1 | 3 | 4 | 6 | -2 | 7 | 3RD |
| 4. AKSA | 6 | 2 | 1 | 3 | 5 | 7 | -2 | 7 | 4TH |
| 5. TRUGPU | 6 | 2 | 1 | 3 | 4 | 8 | -4 | 7 | 5TH |
| 6. SAI-SAG | 6 | 1 | 3 | 2 | 4 | 7 | -3 | 6 | 6TH |

# নেরোকানা শিলোং লাংজোং থোইদুনা পোইন্ট ৩গী মঙলান থম্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী হয়েং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা য়ূম্ব ওইরিবা নরোকা এফ সীনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট মেঘালয়াগী টিম অমা ওইরিবা শিলোং লাজোংগা লম্বা তৌগদৌরিবা ১৩শুবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা মপূং ওইনা পোইন্ট ৩ ফংনবা শেম শাখ্রে।

নেরোকা এফ সী হৌজিক হৌজিক আই লীগকী রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা মেচ ৫ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎলগা ২ মায়থীরগা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবনি। অনীশুবা থাক্তা রিএল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লব চপ মান্নবা মেচ মশীংদা নেরোকাগা মায় পাকপা, দ্রো চৎপা অমসুং মায়থীবা মেচ মশীং মান্নরগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না ২ হেল্লগা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবনি।

অমরোমদা চেন্নাই সিটিনা মেচ ১০ শান্নখিবদা মেচ ৬ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎতুনা অমদি মেচ অমখক মায়থীরগা পোইন্ট ২১ ফংদুনা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

পনবা য়াই শিলোং লাজোং এফ সী কুমজা ২০১৮-১৯গী আই লীগতা শরুক য়ারিবা ক্লব ১১গী মনুংদা খ্বাইদগী মমৈদা শুপ্পগী মেচ অমখক মায় পাকপা অদুগা অমখক দ্রো চৎলবা মতুং ৮ মায়থীরগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরি।

কোঙ্খাম লৈবাকলৈ নীংশিং বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# কে এল ৱাই জি সী, কে এল এল কে, ঐচ ৱাই দি সী সী এল, এন ৱাই ভি এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লৈবাক্কী লময়ানবা কাঙলূপ (কে এল এল কে) ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈনা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফালগী আই বি রোদতা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল শ্রী কোঙ্খাম লৈবাকলৈ মেমোরিএল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা কে এল ৱাই জি সী, কে এল এল কে, ঐচ ৱাই দি সী সী এল, এন ৱাই ভি এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা কে এল ৱাই জি সীনা উচিৱাবু ৩-০; কে এল এল কেনা এস ৱাই দি এবু ৩-০; ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা এস ৱাই দি সীবু ৩-২ অমদি এন ৱাই ভি এনা এন ভি সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

১৬শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# পি ৱাই সী ফাইটোলনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়াবু গোল ৯-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চংখরিবা ১৬শুবা টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি ৱাই সী ফাইটোলনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়াবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম তরুকনা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্লগা চংখরিবা ১৬শুবা টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ বিগী পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়া লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি। ওরিয়েন্টেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খল্লগা পি ৱাই সীনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ৱাই সীনা য়াম্না লাকচনা গোল ৫-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদসু পি ৱাই সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লবপু লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু পি ৱাই সীনা গোল ৯-২দা মায় পাকখি। ঙসিগী মেচ অদুদা নিলকমলনা সেন্তর রেফ্রি, অনিলকুমার, রাজেস অমদি গরসন্না এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফ্রি ওইনা শরুক য়াখি। ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা থা অসিগী ৫দা গ্রুপ এগী এল এফ সী লুনগ্রেজাং অমসুং জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী লম্বা তৌনগনি।

# পান্থোইবী এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ত্রষ্ট ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা দি ক্যামগৈ আইদিএল হায় স্কুলগী শান্নবুংদা চংখরিবা তরাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল এল কে করাম্থু মায়থীবা পীরম্লগা পান্থোইবী এফ সী লংথবাল ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা তরাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা পান্থোইবী এফ সী অমসুং এল এল কে শান্নখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্ন বগীদমক টিম অনীনা অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পান্থোইবী এফ সীনা এল এল কেবু য়াম্না লাকচনা গোল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদু খুদোংচাদবা অমদগী থা অসিগী ৬তা শান্নরগনি।

# এস বি আর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ফুটবোল ক্লব সেক্তানা শীন্দুনা এস এস সী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৫শুবা সেক্তা ত্রোফি লমলাই, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র এন্দ ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এস বি আর নোংদমনা ৱাই এল সী হরাউরৌবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সী লমলাই অমসুং এস সী ৱাই য়ূম্নাম খুনৌ গোল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই দল্লিয়ু সী নিঙোমথোং সাইরোম লৈরক্কী ফুটবোল প্লেয়র ওইরম্বা থোঙাম জোর্জনা ইখঙ খঙহৌদবা থৌদোক অমদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১দা লৈখিদবদা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেঙ্গা মপূগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ জাদুমনি অমদি সেক্রেটরি দল্লিয়ু মুহিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লবস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এল ৱাই এস এস য়ু অমদি এম সী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ চজিং ইনাৎ কনবা লূপ (সী ঐচ আই এ এল) না শীন্দুনা লিলোং চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজকী শান্নবুংদা চংখরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজার অমদি এম সী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী গ্রুপ এগী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা এল ৱাই এস এস য়ু অমসুং এম সী শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মতম লোইশিল্লকপদা এল ৱাই এস এস য়ু অমদি এম সী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ২-২দা দ্রো চৎখি। এম সীগী গোলশিং অদু এল বিশ্বরজিৎনা মেচকী ৩শুবা অমদি এন লৈঙাকপনা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা এল ৱাই এস এস য়ুগী গোলশিং অদুনা এ আর্বিন্দ মীতৈনা মেচকী ১৭শুবা অমদি পি ৱাজেসনা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা চনখি।




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.



JOB VACANCY

| SL. NO | VACANCIES | GENDER | STAFF EXPERIENCE | POST | QUALIFICATION |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mechanical Engineer  | Male | One Year Min. | 2 | Graduate/ ITI Diploma Holder or Experienced. |
| 2. | Sales Representative | Male | One Year Min. | 2 | 12 pass or Graduate. |

DIRECT WALK-IN INTERVIEW ON SATURDAY 05/01/19 TIME 10:30 AM TILL 4 PM

NO DONATION OF ANY KIND

*KINDLY CONTACT : 7085558350 / 7005030842*

WAHENGBAM LEIKAI, IMPHAL

HL-P/2906/3





HL-B/5082/23,25,27...


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com